## এক্সিদেন্টতা ৩...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই অহুম অদুদি অয়াংপলি মুতুম লৈকাইদগী তেকচম সোহেন (১৬) অপোকপা টি পিশক, অয়াংপলি লৈমা কৈথেলদগী গুরুময়ুম বুস (১৮) অপোকপা জি সন্তোস অমদি খুরাই থাংজম লৈকায়দগী বি নেলসন (১৮) অপোকপা বি জিলাচন্দ্রনি। অশোকপা অনী অদুনা সোইবম লৈকাইদগী ফিজম রোনিল (১৮) অপোকপা পি ঐচ রামানন্দা অমদি বামেন লৈকাইদগী গুরুঅরিবম দেবসন (১৮) অপোকপা জি ভগৎনি। মখোয় মঙামক হান্না জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা মখোয় অহুম লৈখিদবনি। অনীনা লায়কন্নরি। কার অদু জি দেবসননা থৌরকপনি হায়রি।

## GAS NEWS

**BASHIKHONG INDANE**
Booking up to: 03/08/2020
Valid from: 25/07/2020
Home Delivery Only
**Contact no:** 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

**R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
Booking Upto: 07/07/20
Valid from: 20/06/20
***Stock 306***
**Office contact nos**.9366013547/9862640159/8132036940
Timing: 8am to 12 noon

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto: Sl.50 A&B of 28/07/2020
Valid from: 22/07/20
Gas booking counter open at Tera bazar
Office Time: 7.30 to 11am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking upto: 17-07-20
***Stk : 306***
Timing: 7am to 10am

**KHORIPHABA NAMBOL**
Booking upto: 22-07-20
**Sl.no upto 9459**
Home delivery only
**Contact no:** 9366471778/ 8837349474
For booking: 8837427636

**PHAYENG INDANE**
Booking upto : 25-07-2020
Valid from: 15-06-2020
Timing: 7.00 -10.00 am
Only for customers who have not received home delivery
**Contact No.:** 8837059770, 8014897823,8787593212

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto: 12-07-20
**Sl. no.: 370**
Only home delivery
**Contact no.** 7005771527
**Office no.** 9774068549
**WhatsApp no**. 8794973019
Time 7.30am to 10.am

**MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg: 18/08/2020
Valid from : 07/08/2020
***19kg Available***
For delivery service Please contact -7085738631/ 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto: 25/07/2020
Valid from: 10/07/2020
***Stk : 460***
All Customers are Home Delivery
Working hours: 7:30 AM-12 Noon( Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana / Every Day Except Holiday
**Contact no.** 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

**TDK GAS**
Booking Upto : 25/07/20
Valid From:17/07/20
ONLY HOME DELIVERY
**Contact Nos.:** 6909614353/8731992324

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking Upto: 21/07/2020
Valid From: 18/07/2020
***Stk: 612***
(HOME DELIVERY SERVICE),
**Contact Nos.**
1.DILIP: 9612883295 (MOIRANG A/C).
2.AJAY: 7005667570 (THANGA A/C),
3.ROJEN: 8787381746 (KUMBI A/C).
BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248.
Timing: 8 am 12 Noon

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto : 08/08/20
Valid From : 24/07/20
HOME DELIVERY ONLY
Delivery within four (4) days
**Kwakeithel:** 8794191632
**Naorem Leikai:** 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
**Kwakeithel:** 7627964838 & 7627964917
**Naorem Leikai:** 9863131337
Contact Timing: 09.00 to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto: 01/08/2020
Valid from: 01/07/2020
Home Delivery Only
**Contact no:** 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
**Note:**-Delivery time will take 4 days

**JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
Booking upto: 20/07/20
Valid from: 01/07/20
Timing: 8:00 to 11:00 a.m
**Call only**
A) 6033989480 Naoriya Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Booking After Delivery 1 (one) Day call only
Plz contact same No.
No Booking Delivery Day

# এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রিং ৱিং এইমসকী থৌমীশিংনা ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ৱাথোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলক্তে হায়দুনা এইমসকী ফাইনান্স সেক্রেটরি নিকার্সন খুমনচানা লুচিংবা টিম অমা ঙসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রিং ৱিং ছো লোনশিনখ্রে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা এইমসকী ফাইনান্স সেক্রেটরি নির্কাসন খুমনচানা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী মতাংদা অশোয়বা অরানবা কয়া লৈরে হায়দুনা এইমসনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্তসু মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, ভিজিলেন্স, হায়র এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নারদা ৱাকৎপসু লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎলক্তবা হায়বসি তশেংনা লাইবক থীবনি।

দি এম য়ুনিভর্সিটি অমদি হৈরোক্তা এঞ্জিনিয়রিং কোলেজ শাবগী দ্রোৱিং অসি এঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ষ্টাফশিংনা য়েক্লগা বি সী এস আর্কিটেচরনা য়েকপনি হায়না মশাগী দিপার্টমেন্টকী থৌদাংবু য়োম্থোক্তুনা অচৌবা শেনফম কয়াবু হুরান্ননবা হোৎনরম্বা হায়বসি লৈবাক মীয়াম্বু শিংনবনি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমগী মনুংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎত্রবদি মসিদগী হেন্না কনবা খোঙজং কয়া মীয়ামগা লোয়নননা চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : সঙ্গীত নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈপাক থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা থাঙ-তা ফেষ্টিভেল কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা চীফ গেষ্ট অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থাঙ-তা লুপশিংগী মহৈরোয়শিংনা লৈতেং থাঙহাই, মী অহুম থাঙ য়ান্নবনচিংবা পর্ফোমেন্স কয়া পীদুনা মীয়ামদা য়েংহনখি।

# ককচিংদা মালেমগী ৱাগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ককচিং, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা এল্লাইয়ন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টর্নেটিভ মণিপুর (এ দি এ এম) অমদি মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক, ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অঙান চীং ইকো পার্ক, ককচিংদা মালেমগী ৱাগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল্লাইয়ন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টর্নেটিভ মণিপুর (এ দি এ এম)গী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা থৌরম মপু অদুগা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপম আই এফ এস, মণিপুর সী এম গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ভেলেন্টিনা এলাংবম, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী এ সী এফ ভানৈচোং সিংসোন এম এফ এস, এম এস পি দি সী এল ককচিং দিভিজনগী দি জি এম থোঙ্গ্রাম ইবোমচা মৈতৈনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা অদুগা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মন্ত্রিপুখ্রিগী দি এফ ও আর কে অমরজিৎ অমসুং এ দি এ এম ককচিংগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংগী কো-ওর্দিনেটর সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুমনা ৱাঙাংলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।

মালেমগী ৱাগী নুমীৎ পাঙথোকপগী মতাংদা এ দি এ এমগী সেক্রেটরি সুরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মালেম অসিদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট পুরক্কে হায়বরদি ঐখোয়গী ৱা অসি য়োকখৎনবা হোৎনসি। লম্হাং অমদি লমলেম লৈরিবশিং অসিদা চানবা ইকোনোমিকেল ওইবা ৱাশিং থাননবা অখঙ-অহৈশিংগা তান্নরগা চঙশিন্দুনা হান্না লৈরম্বা উগী পোথোকশিং অসি পুল্লপ শিনবা ঙমদ্রগসু ফজনা ট্রিটমেন্ট তৌরগদি ৱানা মহুৎ শিনবা ঙমগনি হায়বগী তোঙান তোঙানবা মোত ফোঙদোরকপা লৈরিবনিনা ঐখোয় ৱাগী পোথোক অসি লৈহন্নবা হোৎনসি। ৱাগী প্রদক্টশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা ময়াম পুন্নমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ফঙ্কসনগী প্রসিদেন্ট এন রাজমুহোন অমদি দি এফ ও থৌবাল দেবলা লাইফ্রাকপমনা লুচিংদুনা ৱা চারাশিং থাবগা লোয়ননা অঙান চীং ইকো পার্কতা ৱা জোন অমসু হাংদোকখি অমদি বিরমঙ্গোল পুখ্রম্বমনা ইবা 'খুনথক খুনখা' কৌবা পোষ্টর শৈরেং অমসু দি এফ ও দেবলানা ফোঙখি। তুংদা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর এন সুনিতানা মশানা ইবা শৈরেং 'উপাল্লক্তা ৱা পাম্বী' পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি।

নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা রিছোর্স পার্সনশিংনা 'বেম্বু এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইন মণিপুর' হীরম অসিদা ৱা ঙাংখি।

# ৱর্ল্ড বেম্বু দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎ, ইম্ফালনা এইমসকা খুৎশম্নদুনা ৱর্ল্ড বেম্বু দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়া ষ্টদিজগী হেদ প্রোফেসর অমর য়ুম্নামনা চীফ গেষ্ট, সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা প্রসিদেন্ট অমদি এইমসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম খেলেন্দ্রো অমদি সেক্রেটরি মৰুং মিংথিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইনিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা হায়খি, ৱা অসি মণিপুরগী ট্রেদিসনল রিছোর্স অমনি। মীওইবনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা ৱাগী পোৎলমশিং শীজিন্নরি। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা ৱা মখলশিং লমদম অসিদা ফংলি। অদুবু হায়রিবা ৱা মখলশিং অসি য়োকখৎতুনা অমদি মাঙহন্দনা থম্নবা থৌরাং পায়খৎপগী মমিদি কয়া উবা ফংদ্রি। ষ্টেট অসিগী ইনাক খুল্লবা বাইওলোজিকেল হেরিটেজ অসিদা ৱাসু মচাক অমা ওইরিবনি। মরম অসিনা তোঙান তোঙানবা ৱা মখলশিংগী গার্দেন ওইনা বেম্বুসেটম অমা ষ্টেট অসিদা লিংখৎপা মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বেম্বু দিভলপমেন্ট এন্দ প্রমোসন ওর্গনাইজেসন অমদি নেসনল বেম্বু মিসন (এন বি এম) মণিপুরনা খুৎশম্নদুনা ঙসি শওম্বুং সী এফ সী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী কমপ্লেক্সতা ৱর্ল্ড বেম্বু দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা বেম্বু দিভলপমেন্ট এন্দ প্রমোসন ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিনা ষ্টেট অসিদা ৱা, লী য়োকখৎতুনা পোথোকশিং পুথোকপগী শিনফম অসিবু চাউখৎননবা হোৎনরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং পুনশিল্লগা পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ৱর্ল্ড বেম্বু দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখি।

# কাদাগী ১৪রকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অহলকোহোল (কাদা)না ১৪রকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোংদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চন্না পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবী রমনি অমসুং জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ৱাই কে ধিরেননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, কুমজা ২০০৬কী নুমীৎ অসিমক্তদা লমদম অসিগী ৱাখল্লোন মান্নবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ১১ না পুল্লগা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক মখলশিং পাক শন্না শীজিন্নরকপগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙাকশিংনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা অসিদগী ঙাকথোক্লনবা পান্দমদা কাদা শেমখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কাদানা থা অহুম খূদিংগী ওইনা পুথোকপা জর্নেল হেল্থ ফোর ফ্যুচর ভোল্যুম ৱান ইস্যু ২৮সু দেজ মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখি।

# ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা দিবাইন লাইফ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মীয়াম ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই আর সী এস মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা, আই আর সী এস মণিপুরগী ট্রেজরর ডা. সুনিল সেঞ্জম, আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি কে সদানন্দ, দিবাইন লাইফ ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ নবদিপ অমসুং দিবাইন লাইফ ক্লবকী হান্নগী প্রসিদেন্ট পি শ্যামানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদসু খুৎ-শা মতৌ করম্না হামগদগে অমদি মাস্ক করম্না উপকন্দগে হায়বগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন উৎখি।

## মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ : কোঞ্জেং লৈকায়দা ঐচ টি পোলশিং শীনগদবা লৈবনা মোংশাঙ্গৈ সব ষ্টেসনদগী মৈ পীরিবা ১১ কে ভি নম্বুল ফিদর অসি সেপ্টেম্বর ১৯গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল ২.৩০ ফাওবা প্লান সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা মোংশাঙ্গৈ, হৈরাঙ্গোইথোং, হাওবম মরক, পিশুমথোং অমদি খাগেমপল্লি পন্থক্তগী কৈশামথোং ফাওবদা লৈরিবা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না আই ঈ দি ১গী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা খঙহল্লক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* সী ঈ সীগী ভি পি পি কামিনি, দিষ্ট্রিক্টকী এক্স প্রসিদেন্ট এল গোলাপ অমদি এ শ্যামকিশ্বরনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুনা মীতৈ খুন্নাই অমদি মণিপুরী সাহিত্যদা হিজম প্রদিপনা তৌরম্বা খুদোল কয়াবুসু শীংথাখি। মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না লাইরমলেন্দা তংদু লৈতানা লৈরুনবা মিনট অমা তুমিন্না লৈদুনা থৌনিজখি। লোয়নননা মহাক্কী ইমুংদসু অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা পীবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি। লৈখিদ্রবগী লোয়নবী অমসুং মচা ৩ লৈহৌরি। মহাক মশাগী চহী ৬৩ শুখ্রে হায়রি।

## পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপখিবগী...

*লামায় ১গী মখা...* (সিভিল) নম্বর ৩১৭ ওফ ২০১৮, আম আদমি পার্টি (এ এ পি), মণিপুরগী ত্রেজরর এম দি সবির অহম্মদ (২৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অল্লাউদিন, লিলোং শম্বুখোং লৌ তরানা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর ১০ ওফ ২০১৭, আর কে জয়সনা (৬৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বা, মোইরাংখোম সৌগাইজম লৈরক্লা ফাইল তৌরকপা পি আই এল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৮, অথোকপম সুসিলকুমার (৪৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ইবোয়াইমা, খুরাই সাজোর লৈকায়গী পি আই এল নম্বর ৭ ওফ ২০১৭ অমসুং পিটিস্নর আর কে জয়সনাগী অনীশুবা পি আই এল নম্বর ৯ ওফ ২০১৭নি।

হায়কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং পি আই এলশিং অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা এম এল এশিংবু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা লৈঙাকসিগী চীফ সেক্রেটরি, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ফাইনান্স), চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি, সেক্রেটরি (লো) অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইরুরবা এম এল এশিং অসি য়াওরি। পি আই এল নম্বর ৭ ওফ ২০১৭কী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদনা চীফ মিনিষ্টরবুসু কোনশিল্লি।

কুমজা ২০১৭তগী ৱায়েল চথুবা হৌরকখিবা পিটিসনশিং অসিগী অরোইবা হিয়ারিং দিভিজন বেঞ্চ অসিদা থাসিগী ১১দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙরাং লাউথোকখিবনি।

পূন্না লমায় ২৪ পানবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অসিদা কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপ্পগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা অসাম য়াওনা ষ্টেট খরদা থোকখিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা পীখিবা জজমেন্ট (দিরেক্সন) শিং পল্লদুনা হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্লা এম এল এশিংবু 'পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি' শিং ওইনা হাপ্পা ঙমহল্লিবা (অয়াবা পীরিবা) 'দি মণিপুর এক্ট নম্বর ১০ ওফ ২০১২ অসি 'লেজিসলেটিভ কম্পিটেন্স' ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়রি। মসিগী মথক্তা অসিগুম্বা এক্ট অসি ইনেক্ট তৌবদসু লেজিসলেটিভ কম্পিটেন্স ৱাৎলি। মরম অদুনা হায়রিবা এক্ট অসি রিপিল তৌবগী পাৱরসু লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কোর্টনা ৱায়েল অসি চথুরকপদা সিভিল রিট পিটিসনগী পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপখি। আর কে জয়সনাগী পি আই এল অসিগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি।

# চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা সেবা সপ্তাহগী শরুক অমা ওইনা বি জে পিদা নৌনা য়াওখ্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা ওল্ড এজ হোম অমদি চিলদ্রেন হোমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী বি জে পিগী ৱর্কর কয়াগা লোয়ননা এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা ঙরাং মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোম অমসুং বি বি পোল মেন্টেল দিভলপমেন্ট হোমদা চেঙ বেগ ২/২, আলু বোরা ১/১, তিলহৌ বোরা ১/১, হৱাই, অচাথাউনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাংখি।

তেংবাংখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়খি, লৈবাক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবশিংগী মনুংদা নরেন্দ্র মোদি অসি খ্বাইদগী ইচঙ থৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমনি। মহাক্লা লৈবাক অসিবু মালেমগী সুপর পাৱর ওইবা অমদি খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসি শীংথানিংঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সেবা সপ্তাহ থৌরমগা মরী লৈননা অহলশিংদা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্লিবা সেবা সপ্তাহগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা খাঙবোক এ সীগী অহলশিংদা ফুরিৎ, সোল, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং খুদোল তমখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেননা থৌরম মপু ওইদুনা খাঙবোক ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পিগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা নুপা অহলশিংদা ফুরিৎ অমদি নুপী অহলশিংদনা সোল অমমম পুন্না অহল ৭০০ রোমদা খুদোল তমখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বা খুমন, খাঙবোক জেদ পি মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট ৱান জি পিগী প্রধান নোমিনি এন লাকপা অমদি বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

| Important Phone Nos. | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.098237 |
| US Dollar | 73.443469 |
| British Pound | 95.345154 |
| Australian Dollar | 53.639987 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.867811 |
| Japanese Yen | 0.702871 |
| Malaysian Ringgit | 17.824867 |
| Singapore Dollar | 54.143118 |
| South Korean Won | 0.063290 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.584925 |
| Thai Baht | 2.365374 |
| Myanmar Kyat | 0.05552 |
| Bangladesh Taka | 0.86076 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 51624.00 |
| Mumbai | – | Rs | 51500.00 |
| Delhi | – | Rs | 51484.00 |
| Kolkata | – | Rs | 51501.00 |


**NIELIT Imphal**

रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT

**(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MEIT), Govt. of India)**
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur

**ONLINE ADMISSION NOTICE FOR ONLINE SHORT TERM COURSES DURING SEPT 2020 (HIGHLY SUBSIDISED AND SPECIALLY ARRANGED TO LEARN FROM HOME DURING LOCKDOWN)**

| Sl. No. | Name of Course | Duration | Timing | Minimum Eligibility | Subsidised Fee (inclusive of GST) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | ADCAAP (Advance Diploma in Computer application Accounting & Publishing) **(ADCAAP) NSQF ALLIGNED COURSE** | 200 hours | 8:00 a.m. to 10:00 a.m. | Class XII passed | **Rs 3000/-** (for Gen/OBC/Minority students) |
| 2. | Course on Computer Concepts (CCC) **NSQF ALLIGNED COURSE** | 80 hours | 8:00 a.m. to 10:00 a.m. 1: 00 p.m to 3:00 p.m. | Knowledge of English | **Rs 1000/-** (for Gen/OBC/Minority students) |
| 3. | Certificate Course in Tally ERP 9.0 | 6 WEEKS CRASH COURSE | 7:00 a.m. to 9:00 a.m. | Accounting Knowledge | Rs 1475/- |

Starting Date of the course : **The 28th Sept 2020 (Monday)**
Sl. 1 & 2 : No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of Rs. 236/- will be charged.
Students possessing a PC/LAPTOP/SMART PHONE WITH INTERNET CONNECTION.
**HOW TO APPLY**: Interested candidate may apply online through **http://14.139.207.251:8080 or www.nielit.gov.in/Imphal**/content/admission-new **on payment of above fee through e-transfer (NEFT OR UPI) to ACCOUNT NO. 10678276043, State Bank of India, Manipur University Campus (IFSC CODE NO. SBIN0005320) or can be paid by using the UPI QR code (UPI ID: sbi.05320@sbi) given in the right side. Contact for Enquiry : 6009973231/7005854028 during 9:00 a.m to 5:30 p.m** on all working days (Mon-Sat).
*NOTE: Course will not started, if no. of students is less than 10. Students must provide his/her **WhatsApp** no while submitting the forms.*
**Contact for Enquiry : 6009973231/7005854028 during 9:00 a.m to 5:30 p.m** on all working days **(Mon-Sat).**

SBI Pay
Scan & Pay Using Any UPI App to
UPI ID: sbi.05320@sbi
MERCHANT NAME: NIELIT IMPHAL

HL-B/6387/19


# GOVERNMENT OF MANIPUR
# DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
## NOTICE
### Imphal the 14th September, 2020

**No.9/183/2012-SW(Pt):** It is hereby to informed that, under the Provision of **Section 74 of "Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act,2015"and Section 23 of "The Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act,2012"** disclosure of identity of Children who are victims of rape/sexual assault is strictly prohibited even in the case of deceased victims because the memories of a departed soul cannot be sullied/dishonoured.

➢ **Section 74 of the Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act, 2015 states that;**

**Sub-Section(1)** : No report in any newspaper ,magazine, news-sheet or audio-visual media or other forms of communication regarding any inquiry or investigation or judicial procedure ,shall disclose the name ,address or school or any other particulars, which may lead to the identification of a child in conflict with law or children in need of care and protection or a child victim or witness of a crime ,involved in such matter ,under any other law for the time being in force ,nor shall the picture of any such child be published.

Provided that for reasons to be recorded in writing, **the Juvenile Justice Boards (JJBs) or Child Welfare Committees (CWCs),** as the case may be, holding the inquiry may permit such disclosure, if in its opinion such disclosure is in the best interest of the child.

**Sub-Section (2):** The police shall not disclose any record of the child for the purpose of character certificate or otherwise in cases where the case has been closed or disposed of.

**Sub-Section (3):** Any person contravenes/disobey the provisions of Sub-Section (1) shall be punishable with imprisonment for a term which may extend to six months or fine which may extend to two lakh rupees or both.

➢ **Section 23 of the Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act,2012 states that;**

**Sub-Section (1):** No person shall make any report or present comments on any child from any form of media or studio or photographic facilities without having complete and authentic information ,which may have the effect of lowering his/her reputation or infringing upon his/her privacy.

**Sub-Section (2):** No reports in any media shall disclose, the identity of a child including his name,address,photographs,family details,school,neighbourhood or any other particulars which may lead to disclosure of identity of the child.
Provided that for reasons to be recorded in writing, the Special Court, competent to try the case under the Act, may permit such disclosure, if in its opinion such disclosure is in the interest of the child.

**Sub-Section (3):** The publisher or owner of the media or studio or photographic facilities shall be jointly and severally liable for the acts and omissions of his employee.

**Sub-Section (4):**Any Person contravenes/disobey the provisions of Sub-Section(1) or Sub-Section(2) shall be liable to be punished with imprisonment of either description for a period which shall not be less than six months but which may extend to one year or with fine or with both.

**It is appealed to all concerned to avoid disclosing the identity of any victim of rape/sexual assault and honour her/his dignity.**

**Sd/- Ngangom Uttam Singh**
**Director (Social Welfare) Manipur**

HL-B/6384/17,19,20